# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,WEDNESDAY, SEPTEMBER 28, 2016 PAGE 7




ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল অমসুং টেষ্ট সেরিজদা খুৎনিং শোকপদগী শরুক য়াবা ঙম্রোইদৌরিবা সাউথ আফ্রিকাগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন এবি দি ভিলিয়র্স

মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী মখাদা লৈরিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী মনুংগী মীখল পাংথোকপা য়াখিরোই হায়না ফোংদোকপা এএফসি গী প্রসিদেন্ট সেখ সলমান বিন ইব্রাহিম



## থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

### এল এল এফ সি না এস বি ৱাই সি বু গোল ৩–২ দা থোইখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবাম গী মিৎয়েং মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬ শুবা পি টিলোতামা দেবী মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী শান্নখিবা ১৭ শুবা মেটচতা এল এল এফ সি না এস বি ৱাই এ বু গোল ৩–২ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ১৭ শুবা মেটচতা এল এল এফ সি অমদি এস বি ৱাই সি না তোচ ঙদুনা এস বি ৱাই সিনা শান্নবা হৌবদা সাইদ খনখি। অদুগা এস বি ৱাই সি না বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক য়াম্না কোরদিনেট লৈনা শান্নখি। এস বি ৱাই সি গী শান্নরোই জেম উদ্দিন না হেক হৌবগা ৩ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। এল এল এফ সি গী শান্নরোই থাংজলাল না ২৮ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা এল এল এফ সি অমদি এস বি ৱাই সি না গোল গোল ১–১ লৈনখি। মতুংদা এস বি ৱাই সি গী শান্নরোই জকির নসু ৩০ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা এস বি ৱাই সি না গোল ২–১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা এস বি ৱাই সি গোল চন্নবা কন্না এটেক্ট কয়া তৌখি। অদুবু গোল ওহোকপা ঙমখিদে। মসিগী মতুংদা এল এল এফ সি গী ললাল না ৪৩ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা এল এল এফ সি অমদি এস বি ৱাই সি গোল ২–২ দা লৈনখি। অদুবু লোইরামদাইদা এল এল এফ সি গী শান্নরোই লালচোন না ৭২ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা এল এল এফ সি না এস বি ৱাই সি বু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। রেফরি না এস বি ৱাই সি গী শান্নরোই থাংবোই হাওকিপ বু ৪৮ শুবা মিনটতা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

হয়েং ১৮ শুবা মেটচতা কুকি এস সি অমদি ওরিয়েটেল ক্লব কা শান্নরগনি।

## ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

### ইচেল ক্লব দিবোং না রিদ্রেদ নমদাংলোং বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

জিরিবাম , সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) জিরিবাম গী মীৎয়েং মখাদা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুল গী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা টি রাধামানি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ৫ শুবা মেটচতা ইচেল ক্লব দিবোং না রিত্রেদ নমদাইলোং বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা ৫ শুবা মেটচতা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি রিত্রেদ নমদাইলোং শান্নখি। ইচেল ক্লব দিবোং না তোচ ঙমদুনা সাইদ লৌখি। অদুগা রিত্রেদ নমদাইলোং না বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক য়াম্না কম্পেরেটিব ওইনা শান্নখি। ইচেল ক্লব দিবোং গী শান্নরোই মংবোই না ১১ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা ইচেল ক্লব দিবোং গী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা রিত্রেদ নমদাইলোং গা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদসু রিত্রেদ নমদাইলোং না গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। ইচেল ক্লব দিবোং গী শান্নরোই মঙবোই না ৪৮ শুবা মিনটতা গোল অমগা চন্দুন ইচেল ক্লব দিবোংনা রিত্রেদ নমদাইলোং বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মথংগী ৬ শুবা মেটচতা জে ৱাই সি য়াইরোলপোকপী অমদি পি ৱাই সি ফাইটুয়েল গা শান্নগনি।

## ২ শুবা ৱার্ল্ড মার্সিএল আর্ট গেমসকী শান্নরোইশিং খনখ্রে

ইম্ফাল , সেপ্টেম্বর ২৬ঃ

খুরাই পুথিবা লৈকায়দা লৈবা ক্যোকুশীকাই কেরেত এসোসিয়েসন্না পাংথোকখিবা ফার্ষ্ট ফেজ মণিপুর কম টিম ত্রাইয়েল সেলেক্সন গী মতুং ইন্না নভেম্বরগী তাং ৩ দগী ৮ ফাওবা চথগদৌরিবা ২ শুবা ৱার্ল্ড মার্সিএল আর্ট গেমসতা শরুক য়াগদবা খনগৎলবা প্লেয়রশিংগী লিষ্ট ফোংখ্রে হায়রি।

খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি কে ঐচ চীত্রাজিৎ মৈতৈ, কে ঐচ লখন সিংহ, কে ঐচ তেন্দন্বা সিংহ, থামিলেন খোংশাই, জাংখোলেন খোংশাই, এন শঞ্জয় মৈতৈ, এম রোনাল্ডো মৈতৈ, থাঞ্জালেন মাতে, ওস ওজিৎ, দব্লিয়ু অরুন সিংহ, কে ঐচ দবর মৈতৈ, কে ঐচ দবর মৈতৈ, কে ঐচ দেৱান সিংহ, এম সোমোরজিৎ মৈতৈ, এস য়াইফবা মৈতৈ, সোইবম লমঙান্বা , ৱাই জেমস মৈতৈ, টি বোইচা সিংহ অমদি টি তম্পাকলৈমা চনুনি হায়রি।

সেকেন্দ ফেজ মণিপুর কম ইন্দিয়ান টিম ত্রাইএলগীদমক ওক্টোরব ২,২০১৬ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৮ তাবদা বোইজ, গার্লস , ৱুমেন অমদি মেনগী ওইনা ওকিবুকাই দোজো, খুরাই পুথিবা লৈকায়দা স্পোর্টস কেরেট এসোসিয়েসন, মণিপুর অমদি ওল মণিপুর য়নাইটেদ মার্সিয়েল আর্ট এসোসিয়েসনগী মিৎয়েং মখাদা কিয়োকুশিনকাই কেরেট এসোসিয়েসন, মণিপুরনা ওর্গনাইজ তৌদুনা পাংথোক্কনি হায়রি। খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা নিয়ু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ষ্টদিয়মদা পাংথোক্কদৌরি। থৱায় য়াওবা শান্নরোইশিংনা মোবাহন নম্বর ০৯৭৭৪১৭৬২৯২ নত্রগা সেক্রেটরী টি ঐচ প্রেমচন্দ সিংহগা উন্নবীয়ু হায়রি।

## ইন্দিয়া–ন্যু জিলেন্দ ক্রিকেট সেরিজ ২০১৬

### গৌতম গম্ভীরনা শোকখ্রবা লোকেস রহুলগী মহুৎ শীন্দুনা ইদেন গারদেন্সতা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা মেটচতা শরুক য়াগনি



থা অসিগী ৩০ দগী কোলকাতাগী ইদেন গার্দেন্সতা শান্নগদবা মেটচতা লোকেস রহুল (য়েৎ) গী মহুৎ শীনগদৌরিবা গৌতম গম্ভীর (ওই)

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ

ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নরিবা টেষ্ট মেটচ অমগী সেরিজ গী অহানবা মেটচ ঙরাং কান্পুরদা লোইশিনখিবা ইন্দিয়ানা মায় পাকখ্রবা মতুং অনীশুবা মেটচ কোলকাটাগী ইদেন গারদেন্সতা শান্নগদবা অহানবা টেষ্ট মেটচদা মশা শোকখিবা লোকেস রহুল গৌতম গম্ভীরনা সিল্লগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা মমাংগী মেটচ কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবা লোকেস রহুল শোকপনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দনা মহাক্কী মহুৎ শীন্নবা গৌতম গম্ভীরবু কৌশিনখিবনি।

নিংশিবা য়াবদি ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা কানপুরগী গ্রিন পার্ক ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ১৯৭ তা থোইখ্রবা মতুং টেষ্ট মেটচ অহুম শান্নবগী সেরিজ গী মনুং চন্না অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু কোলকাতাগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট ষ্টদিয়ম ওইরিবা ইদেন গার্দেন্সতা থা অসিগী ৩০ দা শান্নবা হৌরগনি।

কানপুরদা শান্নখিবা ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্সগী অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা লোকেস রহুল শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবনি।

পন্না য়াই লোকেস রহুলগী মহুৎ শিনগদবা গৌতম গম্ভীর ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ কয়াদা ইন্দিয়াগী মীংচৎপুরকপা ঙমখ্রবা শান্নরোই অমনি।

ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দ ক্রিকেট সেরিজ অসিগীদমক্তা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম খন্বদা গৌতম গম্ভীর য়াওখিদবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী অহানবা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজ অদুগী ওইনা খনখিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা মমিং য়াওবা ঙমখিদ্রবসু হান্না খনখিবা শান্নরোই অমা (লোকেস রহুল) শোকপদগী মমাংদগী পার্ফোমেন্স ফজদুনা লাক্লিবা গৌতম গম্ভীরবু নৌহৌননা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওহন্বগীদমক লাউথোরকপনি।

গৌতম গম্ভীর ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী মমিং ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১৪ গী লিষ্টতা মাংজৌননা য়াওরক্তবা অদুদা মহাক মশামক অমদি অতোপ্পা ক্রিকেট পামজবা মীওই কয়ানা অঙকপা ফাওখিবনি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট সেলেক্টরশিংনা গৌতম গম্ভীরবু মশা শোকখ্রবা লোকেস রহুলগী মহুৎ শিল্লকপদা চিংননিঙাই লৈতে হায়না ফোংদোকপা লৈখি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা দুলিপ ত্রোফিদা গৌতম গম্বীরনা মরুওইবা শান্নরোই অমগী থৌদাং লৌদুনা ইন্দিয়া ব্লু টিমগী মাইকৈদগী থংন থংনা রন ৫০ মঙারক লৌদুনা টিম অদুগী মায় পাক্নগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি।

দুলিপ ত্রোফিদা গৌতম গম্বীরনা শান্নখিবা মেটচ ৫ দা রন মথংশিৎনা ৭৭, ৯০, ৫৯, ৯৪ অমসুং ৩৬ লৌদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স লৈখিবা অদুগী মতুং ইন্না লোকেস রহুলগী মহুৎ শীনবদা মহাক মতিক চাবা শান্নরোই অমা ওইরি।

## ইন্দিয়াগী স্মিৃটি মন্ধনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট ক্লব ব্রিজবেন হিটতা শান্ননবা সাইন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট শান্নরোইশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা বেটচৱুমেন অমা ওইরিবী স্মিৃটি মন্ধনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট টিম অমা ওইরিবা ব্রিজবেন হিটনা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা নুপীগী ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বিগ বাস লীগতা শান্নবগীদমক চহি অমগী ওইনা সাইন তৌনখ্রে।



ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টুর্নামেন্ট (বি বি এল) দা ব্রিজবেন হিটতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী মন্ধনানা

পন্না য়াই স্মিৃটি মন্ধনানা ইন্দিয়াগী অনীশুবা নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোই অমা ওইনা মপান লৈবাক্কী নুপীগী ক্রিকেট টিম অমদা শরুক য়াবা ঙম্বা শান্নরোই ওইরি।

মহাক্কী মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোই হর্মনপ্রিট ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট লীগ ওইরিবা বিগ বাস লীগকী মমাং চহিগী চেম্পিয়ন সিদনি থন্ধরসতা শরুক য়াখিবা অদুগী মতুং স্মিৃটি মন্ধনানা ইন্দিয়াগী অনীশুবা নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোই ওইরি।

মন্ধনানা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নখিবা ৱারিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নদগী লৈরিবা লৈবাক অদুগী ক্রিকেট শান্নরোইশিং অদুগা নৌনা টিম অমা শেমদুনা শান্নবগী খুদোং চাবা অমা ফঙবা অসিদা অহেনব পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

মন্ধনানা মখা তানা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোইশিংনা শান্নরিবা মশান্না অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী শান্নরোইশিংনা শান্নরক্লিবা মওং অদুগা খেৎনবা লৈ। লৈরিবা খেৎনবা অদু মখা তানা চুমথোক্লবা মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নবা অদুদা চুমথোকপা ঙমগনি হায়রি।

স্মিৃটি মন্ধনানা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নবা চৎকদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা বি সি সি আই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া) গী মাইকৈদগী নো–ওবজেক্টসন সর্টিফিকেটসু ফঙলবনি।

## টাইক্কোন্দো চেম্পিয়নসিপ

ইমফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ

ওক্টোবর ৬ তগী ৮ ফাওবা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় ইমা পান্থোইবী কম্যুনিটি হোলদা ৩১ শুবা ষ্টেট লেভেল টাইক্কোন্দো চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ পাংথোক্কগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা য়াওনিংবা প্লেয়রশিংনা মরি লৈনবা চে–চাংশিং অমদি ফেদরেসনগী আই দি কার্দ পীশিল্লকদবনি। ওক্টোবরগী ৫ গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা ৱেথ ওন্বগী থবক পাংথোক্কনি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক টাইক্কোন্দো ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী পি ওলেন্দগী অকুপ্পা ৱারোল খঙবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।



য়ুরোপকী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়নসিপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরুওইবা ক্লব অমা ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংগী হরাওবা ফোংদোকপা

## ইষ্ট সুপর দিভিজন লীগ চথরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী পয়া অমসুং অবা অনিনাশান্নবা মেটচ নম্বর ৩১ শান্নবা লোয়শীন্দুনা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবদু সেপ্টেম্বর ২৮ দগী অমুক মখা চথরগনি।

নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৭ তা খুন্দ্রাকপমগী কে সি গ্রাউন্দা শান্নগদবা পয়া অমদি অবাগী মেটচ অসিদা পয়াদগী তাম্থোখ্রবা প্লেয়র অনী এম দি কুরবান অমদি লাইশ্রম জেকোব অনিদি শান্নবা য়াওহল্লোই হায়না এসোসিয়েসনগী চেরোলনা হায়রি।